
লৈখল–লৈচল

Imphal,
19 January,
Sunday 2014


# ব্বারি ওইনা থাজনরম্বা লাই খুৎশাংবী ফিল্ম ওইনা পুথোরকপা অসি নুংঙাইবা অমা ফাওই


একেন সিজগুরুময়ুম


লাই খুৎশাংবী হায়বা অসি ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈদা ইপুবোক অমদি ইবেনপোক্লা ব্বারি ওইনা লিবিরকই। মতম অদুদা অঙাং ওইরিবনিনা লাই খুৎশাংবী হায়বা অসি তশেংনমক লৈব্রা হায়বা অদু ইশানা ইশাদা হংদুনা লাকখিবা ব্বাহং অমা ওইদুনা লৈরকখিবনি। ইপুবোক অমদি ইবেনপোক্লা লিবিবা ব্বারি অদুদা লাই খুৎশাংবীনা 'সচি' কৌবা অমগী ময়ুমদা য়াম্না তোয়না লাক্তুনা 'সচি মমা' সচি মপা লৈব্রা হায়বা ব্বাহং অসি তৎতনা হংদুনা ইমুং অদুদা মহাক্লা খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনৈ। তশেংনমক লাই খুৎশাংবী অসি ইপু ইবেননা লিবা ব্বারি অদুদা উরক ব্বারক্তা লৈবা মখুৎ য়াম্না শাংবা ফত্তবী লাই নুপী অমগী শক্তম ওইনা খনখি।



ঐনা খরা চাওখৎলক্কবা স্কুল তল্লিঙৈ মতমদা লাই খুৎশাংবীগী ব্বারি অসি ইংলিসকী লায়রিক্তা 'এ ব্রিকেট ফেরি' হায়বা থেংনখি। লাইরিক অদুদা থেংনখিবা লাই খুৎশাংবীগী মশক মতৌগা ইপু–ইবেন্না ব্বারি ওইনা লিবিবা অদুগা অদুমক মান্নে। 'সচি' কৌবী নুপীমচা অমগী মমিংলাই খুৎশাংবীনা তোয়না শিজিন্নে অমদি লাই খুৎশাংবীনা খুল অদুদা খ্বাইদগী কিবা মীশক অমা হায়রগদি 'সচি' হায়রিবা নুপীমচা অসিগী অপোকপা মপা অদুবুনি। নপা অদুবু লাই খুৎশাংবীনা কি হায়বসু 'সচি' গী মমানা খঙই। মপুরোইবা লৈতবা মতমদা লাই খুৎশাংবীনা তোয়না লাক্তুনা ময়ুমদা হংলবা মতমদা মপুরোইবা লৈ হায়না খুমদুনা মশা অমদি মচাবু কঞ্জরকখিবী অখাং কনবী নুপী অমগী শক্তম য়েকপা নত্রগা উৎবা ব্বারি অমনি লাই খুৎশাংবী।



হৌজিক চৎলিবা মণিপুরগী ফিল্মগী ট্রেন অসিদা য়াইফরোল প্রদক্সননা নৌনা পুথোক্তুনা মীয়ামদা খুদোল তমখ্রবা থাইনগী ব্বারিদগী লৌথোকপা লাই খুৎশাংবী হায়বা ফিল্ম অসিসু মমাংদা লৈরম্বা মওং অদুগা অয়াম্বদা মান্নবা ওইনা ফিল্ম অসিগী ষ্টোরি, স্ক্রিন প্লে, ম্যুজিক অমদি দিরেক্টরগী থৌদাং লৌরিবা লুচিং লুব্বাংনা লৌরি।

নৌনা পুথোক্লিবা লাই খুৎশাংবী হায়বা ফিল্ম অসি হৌখিবা চহী ইং ২০১৩ দা মীনা পাম্না য়েংনখিবা ফিল্মশিংগী মনুংদা অমসু ওইখি। ফিল্ম অসিগী ব্বারি অসি থাইনগী ব্বারিদগী শেমদোক শেমজিন খজিক্তুং তৌবা নত্তনা অয়াম্বা শরুক্তি থাইনগী ব্বারি অদুগা অদুমক মান্নে হায়বা অসিনি। ফিল্ম অসিদা মরুওইবা রোল লৌরিবা আর্টিষ্টশিংদি জি বোনি, বিক্রম, অঙ্গিরাজ, ফেবিকাস, ইনু, অবেনাও, আর্টিনা অসিনচিংবা আর্টিষ্টশিং অসিনি।

ফিল্ম অসিদা প্রদ্যুসর ওইরিবা বিক্রম্না দিরেক্টর লুচিং লুব্বাংগা তান্নদুনা য়াম্না শেল চঙদনা পুথোকপা ফিল্ম অমসু ওইরি। ফিল্ম অসিদা শিজিন্নরিবা কোষ্টুম অসি লাই খুৎশাংবীগী ব্বারি অদুগা খরা মখৈদি অদুমক চুশিন্নে লোয়ননা মতম অদুদা লৈরম্বা খুহিং অমদি য়ুম্বাল্লোনশিং অদুসু নীংথিনা ফোঙদোকপা ফিল্ম অমনি 'লাই খুৎশাংবী'। লুচিং লুব্বাংগী লাই খুৎশাংবী হায়বা ফিল্ম অসি ফিল্মগী লোন্দা হায়রগদি সিনেমাটিক ফোর্মনি। মরমদি ফিল্ম অসিদা লমদম অসিগী কলচর অমদি আইদেন্টিটি নীংথিনা উৎপগা লোয়ননা অরিবা মণিপুরগী য়ুম্বাল্লোন কয়া অমবু নীংথিনা উৎপা ফিল্ম অমসুং ওইরি।

ফিল্ম অসিদা মণিপুরদা মতম অমদা মৈতৈশিংনা হিংলিবা পুন্সি মহিং অসি নীংথিনা পুথোক্তুনা উৎপগা লোয়ননা য়ুমগী য়ুমশারোননচিংবদসু অরিবা মতমগী মওংদা পুথোক্তুনা উৎলি। নিংথৌ পানবা লৈবাক অমা ওইরম্মী হায়বা অসিসু ফিল্ম অসিদা নীংথিনা উৎপগা লোয়ননা তনৌ হায়রিবা কেরেক্টর অসিগী রোল লৌরিবা অবেনাওগী মপুরোইবা অঙৌ নিংথৌগী মনাই অমা ওইনা লৈবা মীওই অমনি হায়বসি নীংথিনা ফোঙদোকই। অঙৌ অয়াম্বা মতমদা কোনুংদা লৈবনা মরম ওইদুনা য়ুমদা অহিং কয়া লেক্তে।

ফিল্ম অসিদা লাই খুৎশাংবী মতৌ করম্না ওইরকখিবগে হায়বগী মতাং অমদা তনৌনা নোংমা ইশিং শোকপা চৎপদা অচিকপা মফম ওইবনিনা মী কনা উররোই খনবা অপাবা ফিজোল শেৎতুনা ইরুজরম্মী। মদুদা খুল অদুগী থবক শুদুনা লৈজবা শাজৌ কৌবা অমনা উরুবদগী তনৌগী চুং ফিরাল চারবা শাবান অদুবু কল্লকখি। মহাক্কী ফত্তবা ব্বাখল অমনা লমজিংখিদুনা শাজৌনা লাই খুৎশাংবী শাদুনা তনৌবু খুদোংচাবা লৌখি। মপুরোইবা লৈতবা মতমদসু মহাক্লা খুদোংচাবা লৌননবা হোৎনরকপা কয়াদা য়ুম্ফম ওইবা ফিল্ম অমা ওইখি।

ফিল্ম অসিদা লাই খুৎশাংবীগী সিন অসি হেক থোরকপদগী কেমেরামেন ওইরিবা ইমো য়ুম্নাম্না য়াম্না নীংথিজবা সোট কয়াগা লোয়ননা লাই খুৎশাংবীগী কেরেক্টর শাগৎপা হৌরকখি। তনৌনা অহানবা ওইনা অকিবা শক্তম উবগা লোয়ননা মফম মরাং খঙদনা চেনখিবা অমদি মখুৎতা পায়রম্বা ইশিং পুল তাদুনা কায়খ্রবা মতুংদা মায়কৈ



খংদনা চেনখি। মসিদা শিজিন্নরিবা ইমো য়ুম্নামগী *পেন্নিং* কেমেরা ব্বার্ক য়াম্না ফজে, মখা তারকপদা নোংমা তনৌনা ইশিং শোকপা লাকপদা লাই খুৎশাংবীনা তান্নরকপা অমদি অঙৌবনা তেননা কাপ্পদা লাই খুৎশাংবীনা চোংদুনা চেনখিবদা শিজিন্নরিবা কেমেরা ব্বার্ক *কট এব্বে* অদুসু য়াম্না নীংথিজে।

লাই খুৎশাংবীদা তনৌনা মাগী মপুরোইবা লৈতে, নংনা করিনোম্মা তৌরগা চঙলকপা য়াগনি হায়বা ব্বাফম ফোঙদোকপদা লাই খুৎশাংবীনা ফক্লাং হোগাইরগা মখুৎ থিংজিন্দুনা পোরোন হাংনবা হোৎনবদা তনৌগী নুপানা থোং মরুমদা লেপ্লগা থাংনা মখুৎ ককপা মতমদা শিজিন্নরিবা কেমেরা ব্বার্ক *মেটচ কট* অদুসু য়াম্না নীংথিজে, ফজে। মপুং ওইনা ফিল্ম অসিদা কেমেরা ব্বাকশিং অসি য়াম্না চেকশিল্লি। দিরেক্টরনা পাল্লিবা মতুং ইন্না ইমো য়ুম্নাম্না *লোং সোট, ক্লোজ অপ, মিদ সোট* নচিংবা কয়া অসি শিজিন্নদুনা ফিল্ম অসি ওইবদা চাওনা মতেং পাংখি। ফিল্ম অসিদা তনৌগী মচানুপা শারিবা ইনু চাইল আর্টিষ্ট ওইনা নীংথিনা এক্ট তৌবা পীক্লিবা আর্টিষ্ট অমনি। আর্টিষ্ট অসি মমাংদা 'হিংচাবা' কৌবা ফিল্ম অমদসু চাইল আর্টিষ্ট ওইনা এক্ট তৌখ্রে।

## 'ঈগী খোঙ্গুল' অথুবা মতমদা মীয়ামদা খুদোল তম্লগনি

ঈপাক ফিল্মসনা ঙল্লিঙৈ মতমদগী হৌনা সোট ফিল্ম, দোকুমেন্টরি অমদি এলবম কয়া পুথোক্তুনা লমদম অসিগী মীয়ামদা অনৌবা মহাও পীরম্লবা মতুংদা 'শকহেনবী ইতৈমা' কৌবা ফিল্ম অমা পুথোক্তুনা ইপাক্কী ইহান হানবা কমর্সিয়েল ফিল্ম অমা দিজিটেল ফোর্মেটতা পুথোকখি। ফিল্ম অসি নহা ওইরিবা দিরেক্টর ও সি মৈরানা মপুং ওইবা দায়িত্ব লৌদুনা পুথোকখিবনি। ঈপাক্কী প্রদ্যুসর ওইনা রাকেশ নাওরেম্না ঈপাক হায়রিবা লুপ অসিনা পুথোকপা ফিল্ম খুদিংমক্কী প্রদ্যুসরগী থৌদাং অদু লৌদুনা লাকখি। মমাংদা মণিপুর মীয়ামদা ইপাক্লা ফিল্ম অহুম পুথোকখ্রে।




হান্নলা পুথোকখ্রবা ফিল্ম অতোপ্পা অনী অমনা 'ঙাইনা ঙাইনা' অমদি 'ফোঙদোক্লদ্রিঙৈ' হায়বা ফিল্ম অহুম মীয়ামদা পুথোক্তুনা খুদো তমখ্রে। হন্দক ইন্দিয়াগী ওইনা খ্বাইদগী মমিং লৈবা ফিল্মগী ষ্টুদিও অমা ওইরিবা রামুজি ফিল্ম সিটিদা চৎতুনা মফম অদুদা সোট অয়াম্বা নম্লুবা ফিল্ম অমনি 'ঈগী খোঙ্গুল' হায়বা অসি।

ফিল্ম অসিদা শক্তম লাংলিবশিংদি সোমা, রাহুল, তাকয়েঞ্জম মেম্মা, গীৎ চন্দ্র, ললিতাবী, রতন লাই, ভেনস অমদি ফুলকানচিংবনি।

ফিল্ম অসিগী শন্নপ্পা ব্বারিদি অচুম্বা লৈত্রবা লমদম অমদা দ্রগ করবার তৌবা ইচিল ইনাওশিংনা মখোয়গী অরোনবা থবকশিং ফনা লোৎশিন্নবা হোৎনরক্লবসু কায়নথংদদি অচুম্বা হায়বা অসিনা লাকশিল্লক্তুনা অরানবা তৌবশিংবু মায়থীবা পীখিবা অপোকপা অপোকপী কায়নরবা মচা অমনা অচৌবা পুলিস ওফিসার অমা ওইরগা অপোকপা মপাবু হাৎখিবা মীওই অদুবু ফান্নবা হোৎনরকপা, অপোকপা মমাবুনা শুপ্নগী দাকফম অমদা শক খঙলক্তুনা মচা অমনা মমা অমগী মফমদা উৎফম থোকপা থৌগল্লোন, মমা অমনা মচা অমদা থম্বা মীনুংশি পুম্নমক হন্দক্কী ফিল্ম অসিদা মীয়াম্না উরগনি অমদি থেংনরগনি।


ꯃꯤꯂꯦꯅꯤꯌꯝ ꯏꯅꯁꯇꯤꯇꯌꯨꯠ ꯑꯣꯐ ꯁꯥꯏꯟꯁꯦꯁ

Millennium Institute of Sciences

*Presents for the first time*

MILLENNIUM SCHOOL

From 2014-15 Academic Session opening

**Daycare, Prenursery, Nursery Classes & K.G.**

From this Academic Session onwards at Sagolband Salam Leikai, Imphal - 795001

**Special features :** AC room for daycare

- Home away from home for day care
- Hygienic mid day meal for day care
- Audio Visual Classrooms
- Play-way method of teaching system
- Well equipped teaching and playing materials of latest technologies
- Well experienced and trained faculties with seniors from Delhi Public School.

*Form available from 7th November 2013*

@ Millennium School Office, Sagolband Salam Leikai.

& Millennium Institute of Sciences, Kwakeithel Mayaikoibi.

SL/29/19/B



UNACCO SCHOOL

Khongman Zone-III (West), Imphal East



SPECIAL FEATURES:

• English Medium • Co-education • Affiliated to CBSE • Only Member of British Council of India • Well trained teaching faculty • EDUCOM Smart Class • Well equipped Swimming Pools • Separate Boys' and Girls' Hostels • Chinese Furniture for school and hostels • All weather air conditioned Class Rooms • Hobby Classes including Taekwondo • Transport Service • Fire Safety Equipments • CCTV Cameras for safety •

ADMISSION OPEN



lemon mobiles

Slim and Stylist Phone






Published by Nongpok Publishers Pvt.Ltd, Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hajari Leikai Imphal, Editor in charge: **H. Achouba Sharma,** RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, 2441490

*e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com,*